জি-২০দা কোভিদ-১৯ থেংননবা অপিল তৌখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি): য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা জি-২০গী মেম্বর লৈবাকশিংদা খুৎশম্মনা হোৎনমিন্নদুনা কোভিদ-১৯ পাতে দমিক থেংননবা অমসুং লাইচৎ অসিনা মাঙহনখিবশিং শেমজিন-শাজিনবগী থবকশিংসু অমগা-অমগা তান্নদুনা য়াংনা পায়খৎনবা অপিল তৌখ্রে।

টেররিষ্ট ১ হাৎখ্রে

শ্রিনগর, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি): ইরাই নুমিত্তা নোর্থ কাশ্মিরগী বরামুলা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা খুৎথোক্লবগী থৌদোক অমদা টেররিষ্ট অমা হাৎখ্রে অমসুং আর্মি ওফিসর অমা অশোক-অপন নংখ্রে। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না পুলিস অমসুং আর্মিগী অপুনবা টিম অমনা টেররিষ্টশিং লোত্তুনা লৈরিবা য়েদিপোরাগী মফম অমদা রেইদ চথবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

দাইলোগ হৌনবা কায়হৌবা লেপ্পবা গ্রীসনা টর্কিদা হায়খ্রে

এথেন্স, সেপ্তেম্বর ০৪, (এজেন্সি) : টর্কিনা কায়হৌবগী থৌওংশিং লেপ্পবদি ইষ্টর্ন মেদিটরিনিয়নদা মরিটাইম বাওন্দরিশিংগী মতাংদা য়েৎনবা লৈরিবসি লৈখায় তানবা গ্রীসনা টর্কিগা ৱারী শান্নবা হৌগনি হায়না গ্রীসকী প্রাইম মিনিষ্টর কিরিয়াকোস মিটসোতাকিসনা ইরাই নুমিত্তা হায়খ্রে। গ্রীস অমসুং ইজিপকী মরক্ত মরিটাইম দিল অমা খুৎয়েক পীনখিবা মতুংদা য়েৎনরিবা মফম অদুদা ইনর্জি থিজিন্নবগীদমক্তা টর্কিনা হৌখিবা থাদা সাইজমিক সর্ভে ভেসেল অমা থাজিনখিবদগী উংখৎনবা হেনগৎলকখি।

টর্কিনা হায়রিবদি গ্রীস অমসুং ইজিপকী পেক্ট অদুনা টর্কিগী কন্টিনেন্টেল সেলফতা শোকহল্লি হায়বসিনি। ইন্টরনেসনল লোদা য়ুন্স্ফম ওইরগা ইষ্টর্ন মেদিটরিনিয়নগী এজিয়ান সীদা মরিটাইম জোনশিংগী দিমার্কেসনগী মতাংদা ঐখোয়না খন্নবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং কিহল্লক্লগা খন্ন-নৈনবদি পামদে। ৱারী শান্নবা হৌনবা অকিবা পীবগী থৌওং পুম্নমক লেপ্পসি হায়না এথেন্সতা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট য়াং জিএচিকা ৱারী শান্নবদা প্রাইম মিনিষ্টর মিটসোতাকিসনা ফোঙদোকখি।

কায়হৌবগী থৌওংশিং হেক লেপ্পগা য়ানদবা ৱাফমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নবা হৌগনি। ইরাই নুমিত্তা ন্যু য়োর্কতা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসকা উনবা মতমদা এথেন্সকী ফিরেপ খঙহন্নবগী চেরোল অমা গ্রীসকী ফোরেন মিনিষ্টরদা শীন্নরগনি হায়না মিটসোতাকিসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইষ্টর্ন মেদিটরিনিয়নগী ৱাফম অসিগী মতাংদা টর্কিনা নাটোগী ইনিসিএটিভ শৌগৎলি হায়না টর্কিস প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগান্না ফোঙদোকখ্রে।

নাটোগী সেক্রেটরি-জেনরেল জেনস ষ্টোল্টনবর্গনা য়েৎনরিবা মফম অদুদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্নদনবগীদমক্তা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হন্থনবগী থৌরাং অমা লৌখৎলে হায়না টর্কিস ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়নশিং টেররিষ্ট লিষ্টতা য়াওহন্নবা পাকিষ্টান্না য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : পাকিষ্টান্না প্রপোজেল অমগী খুত্থাংদা ইন্দিয়ন নেসনল অনী য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিল (য়ু এন এস সী)গী টেররিষ্ট লিষ্টতা য়াওহন্নবা হোৎনবদা য়ু এস, ফ্রান্স, য়ু কে, জর্মনি অমসুং বেলজিয়ম য়াওনা মরু ওইবা মেম্বর লৈবাক কয়ানা অথিংবা পীবদগী অরেম্বা তাখ্রে।

পাকিষ্টানগী ফোরেন ওফিসনা য়ু এন এস সীগী ৱারেপ অদুগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ু এনগী সেঙ্কসন রেজিম পোলিটিসাইজ তৌবগী থৌওং লেপ্পগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি। য়ু এনগী সেঙ্কসন রেজিমবু হেন্না ইফেক্তিভ ওইহন্নবগীদমক্তা পাকিষ্টান্না মতম চুপ্পদা ট্রান্সপরেন্সি লৈহন্নবা অমদি পোলিটিক্সকী মীৎয়েং চঙহন্দনবগী ৱাফম হৌদোক্তুনা লাক্লি হায়না ফোরেন ওফিসকী স্পোক্সপর্সন জহিদ হফিজ চৌধুরিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি ইন্দিয়ন নেসনলশিং অদু অচৌবা টেররিষ্ট এটেকশিংদা চেন্নবগীদমক পাকিষ্টান্না ফাবা পাম্বা ক্রিমিনেলশিংনি। মখোয় হৌজিক ষ্টেট প্রোটেক্সন পীদুনা ইন্দিয়াদা লৈরি। পাকিষ্টান্না ইন্দিয়ন নেসনল অনী গোবিন্দ পটনাইক অমসুং অঙ্গরা অপাজিবু য়ু এন এ সীগী কুমজা ২০১৯গী ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ লেভন্ট অমসুং অল-কায়দা সেঙ্কসনস লিষ্টকী মখাদা টেররিষ্টশিংনি হায়না লাউথোক্লবগী ৱাফম হৌদোকখিবনি। য়ু এন এস সী ১২৬৭ সেঙ্কসন্স কম্মিটিগী মখাদা পাকিষ্টান্না ইন্দিয়ন নেসনল অনীদুগী মায়োক্তা ইভিদেন্স মতিক চানা পীদে হায়রদুনা লৈবাক ৫না অথিংবা পীখিবনি।

হ্যুমেনিটরিয়ন সীজফায়র লৈহন্নবা তকশিনখ্রে

কাবুল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি): চহী ২০ শুরবা অফঘানিষ্টানগী লান লোইশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মতম শাংনা ঙাইনরক্লবা দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা পীছ টোক্কীদমক্তা কাবুল গভর্নমেন্ট অমসুং টালিবানগী টিমশিংনা শেম শান্নরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা হ্যুমেনিটরিয়ন সীজফায়র চৎনহন্দুনা অৱা-অনা তারবশিংবু মতেং পাংবা য়াহন্নবা য়ু এন এনভোই অমনা তকশিনখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিল (য়ু এন এস সী)দা ৱা ঙাঙলদুনা সেক্রেটরি জেনরেলগী অফঘানিষ্টানগী ৱাথোক্কা মরী লৈনবা স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ দেবোরাহ লিওন্সনা হায়খি, হ্যুমেনিটরিয়ন সীজফায়র চৎনহনবগী মরু ওইবদু ঐহাক্না অমুক হন্না মফম অসিদা পল্লি।

পার্টি অনীমক্না পীছ টোক্তা ৱারী শান্নদুনা য়ানবা পুরক্কদৌরিবসি অফঘান মীয়ামগীদমক্তি অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইগদৌরিবনি। হ্যুমেনিটরিনিয়ন সীজফায়র তঙাইফদগী ঐখোয় খুদিংমক্না মীৎয়েং চঙগদবনি। অফঘান মশেল ৱারী শান্নদুনা কনফ্লিক্ট অদুগী মতাংদা পোলিটিকে ৱারোইশিন অমা পুরকপা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে হায়না মহাক্না নৌহৌননা ফোঙদোকখি।

ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ অফঘানিষ্টানগী মহুৎ শীল্লিবা অফঘানশিংনা টালিবানগী মহুৎ শীল্লিবা অফঘানশিংগা য়ানবা পুরক্লবা ৱারী শান্নবা হৌনবা শেম শান্নরি হায়না লিওন্সনা ফোঙদোকখি।

কোভিদ পোজিটিভ ওইবা ইটালিগী বর্লুস্কোনি ন্যুমোনিয়ানা নারে

রোম, সেপ্তেম্বর ০৪, (এজেন্সি) : কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগী টেষ্টদা পোজিটিভ ওইদুনা হোস্পিটালদা লৈরিবা ইটালিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সিলভিও বর্লুস্কোনি দবল ন্যুমোনিয়াগী অঙনবা থাক লৈরে হায়না দাইগ্নোস তৌখ্রে।

দবল নৎত্রগা বাইলেটরেল ন্যুমোনিয়ানা থবোম্বী অনীমক শোকহন্দুনা শ্বোর হোনবদা খুদোংচাদবা থোকহল্লি। ফিভম অসি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা হোস্পিটালাইজ তৌরিবা পেসেন্ট কয়ামরুমদা থেংনৈ। মশাগী চহী ৮৩ শুরবা বর্লুস্কোনি মহাক্কী ফোর্জা ইটালিয়না পার্টিনা মহাক কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈরে হায়না লাউথোকখিবা মতুং নুমিৎ নিনি লৈরগা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা মিলানগী সান রাফেলে হোস্পিটালদা পুখৎখি।

লাইওং খরা উৎলকপদগী চেকশিন থৌরাং ওইনা বর্লুস্কোনিবু হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি। মহাক্কী ফিভম নুংশাথিনিংঙাই ওইদে হায়না ফোর্জা ইটালিয়াগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

স্কাই ইটালিয়া টেলিভিজন্না মহাক ইন্টেসিভ ক্যেরদা লৈতে, তৌইগুম্বসুং শ্বোর হোনবদি খরা ৱারে হায়না ফোঙদোকখি।

চহী ৪গী মমাংদা মেজর হার্ট সজরি পাঙথোকখ্রবা বর্লুস্কোনি হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা ইটালিদা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক য়ৌরকখিবদগী মীয়াম তিনবা থবক থৌরম খুদিংমক য়াওদনা লাকখি। অহানবগী ইটালিগী থাঅনীগী লোকদাউনগী মতম অদু মহাক ফ্রান্সকী খা থংবদা লৈবা মহাক্কী মচানুপীশিংগী মনুংদগী অমগী ভিলা অমদা লেনখি।

কালেনগী টুরিজমগী সিজন মনুংদা কোভিদ-১৯গী কেস ৱাংখৎলকখিবা মেদিটরিনিয়ন ইথৎ সর্দিনিয়াদা লৈবা মহাক্কী ভিলাদা হৌখিবা ওগষ্ট থাগী শরুক খরা লেনখিবা মতুংদা মহাক্কী সেম্পল লৌদুনা কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌখিবনি। মহাক নহা ওইরিবা মচা অনী বর্বারা অমসুং লুইগিগা লোয়ননা সর্দিনিয়াদা লৈমিন্নবদগী লায়না অসি পক্লকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ইটালিয়ন পাউচেশিংনা ইনখি।

প্রোটেষ্ট মনুংদা পুলিসনা মীওই ১ হাৎখ্রে

পোর্টলেন্দ, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি): য়ু এসকী ওরেগোন ষ্টেটকী পোর্টলেন্দ সিটিতা প্রোটেষ্ট পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা রাইট-ৱিং এক্তিভিষ্ট অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা মীশক্লি হায়না চিংনবা মীওই অমা পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না ওপিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৪৮ শুরবা ভিক্তিম মাইকেল রৈনোএহল হৌখিবা চয়োলদা সিটি অদুদা থোকখিবা ইরাং অমদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী সপোর্টর অমা ওইরিবা অওরোন দেনিএলসন হাৎখিবগী মতাংদা থিজিল্লিবা মীশক্লি হায়না বি বি সীগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

রৈনোএহলবু ফানবগী ৱারেন্ট অমা থোকখি অমসুং মহাক শগোলশেল নুমিত্তা পোর্টলেন্দগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ১৯৩ লাপ্না লৈবা লাসি, ৱাশিংটনদা পুলিসনা ফংবা ঙমখি।

থর্ষ্টন কাউন্টি সেরিফকী লেফটনেন্ট রে ব্রাদিনা মীওই অদু লাসিদা করম্না লৈরম্লিবনো হায়বগী মতাংদা শেংনা খঙবা ঙমদে অমসুং রৈনোএহলনা এদ্রেস অদুদা লৈরম্লিবদু মহাক থাজবা ঙমদে হায়না ফোঙদোকখি।

মীওই অদুনা এপার্টমেন্টতগী থোক্লক্তুনা লম্বীদা লৈবা গাড়ি অমদা কাখৎখিবা মতমদা পুলিসনা য়েংশিন্দুনা লৈখি। থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুগা মীওই অদুগগী মতাংদা ওফিসরশিংগী মরক্তা য়েৎনবা ফাওবা লৈখি। ঐখোয়দা ফংবা পাউদা মীওই অদু খুৎলায় পায় হায়না খঙহল্লকখিবদগী ওফিসরশিংনা গাড়ি অদুদা কাপ্পা হৌখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রিপব্লিকান ১০০ রোম্না দেমোক্রেটিক নোমিনি জো বাইদেন শৌগৎখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : লাক্লিবা নবেম্বর ৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পপু মায়থিবা পীনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদা হান্নগী রিপব্লিকান লোমেকর অমসুং ওফিসল ১০০ রোম রিপ্রজেন্ট তৌরিবা গ্রুপ অমনা দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল নোমিনি জো বাইদেন শৌগৎখ্রে।

হান্নগী ন্যু জর্সিগী গভর্নর ক্রিষ্টাইন তোদ হ্বিটমেননা লুচিংবা রিপব্লিকানস এন্দ ইন্দিপেন্দেন্টস ফোর বাইদেন কৌবা গ্রুপ অদুনা মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা মিসনদি দোনাল্ড ট্রম্পপু মায়থিবা পীদুনা জো বাইদেনবু য়ু এসকী মথংগী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা মীখলদা মায় পাকহনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ONE LORD, ONE FAITH, ONE BAPTISM

হ্বিটমেন্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি অমেরিকান ১৮০,০০০ হেন্না কোরোনাভাইরস পান্দেমিক অসিদা শিখ্রে। লৈবাক অসিগী লিদরনা মতম চানা ৱাখল লৈনা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎলম্বা থোক্লবদি লাইচৎ অসি লৈবাক অসিদা ইরায় লায়না লাকশিল্লম্বা য়াই। মসিগী মহুত্তা প্রসিদেন্ট অমনা শাথিরবা লাইচৎ অসিবু করিমত্তা থৌশাখিবদগী কন্ট্রোলগী ৱাংমদা চৎখিদুনা থাজবগী ৱাংমদা লৈবাক অসিদা মীশি-মীনা চাওনা থোকহল্লে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈবাক্কী অচৌবা ক্রাইসিসকী চিরবা মতম অসিদা ঐখোয়না মতম অসিগা চান্নবা ওভেল ওফিসকী কম্পিটেন্স হঞ্জিনহনবা অমদি লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইবগী লিংজেল লাকহনবা ঙমগদবা লুচিংবা অমা খনবগী তঙাইফদবা লৈ। জো বাইদেন্না অদুগুম্বা লুচিংবা অদুমক্লি হায়না হ্বিটমেন্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

গ্রুপ অদুদা হান্নগী রিপব্লিকান গভর্নরশিং রিক স্নাইদর অমসুং প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট ওইনবা হোৎনখিবা বিল ৱেল্ডসু য়াওরি। ট্রম্পনা ওপিনিয় পোলদা মহাক্কী দেমোক্রেটিক রাইভেল অসিদগী খজিক্তং হেন্না ওপোনিয়ন পোলদা মাঙজিন থারিবা ষ্টেটশিংদা রিপব্লিকান শৌগৎপা ভোটরশিংদা মখোয়না টার্গেট তৌগদৌরি।

খেন্নবা রুলশিং চৎনবদগী ক্বারন্টিনগী মতাংদা য়ু কেদা চমন্নবা লৈরে

লন্দন, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : য়ুনাইটেদ কিংদমদা লাক্লিবা ট্রাভেলরশিং হৌজিক চমন্নবা ফিভম অমা মায়োক্লরে হায়না লৈবাক অসিগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পোর্টুগালদগী থুংলবশিংবু ৱেলস অমসুং স্কোটলেন্দনা ক্বারন্টিন তৌহল্লবসু ইংলন্দ অমসুং নোরদর্ন আইরলেন্দনদি অসিগুম্বা অথিংবা অমত্তা লৈহন্দবদগী চমন্নবা অসি লাকপনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎ ফাওবদা ৱেলসনা পোর্টুগাল, গিব্রআল্টর, ফ্রেঞ্চ পোলিনেসিয়া অমসুং গ্রীক ইথৎশিং মিকোনোস, জকিনথোস, লেসবোস, পারোস, এন্টিপারোস অমসুং ক্রেটতগী লাকপা ট্রাভেলরশিং ক্বারন্টিন তৌহনখি।

স্কোটলেন্দনসু পোর্টুগাল অমসুং ফ্রেঞ্চ পোলিনেসিয়াদগী লাকপা ট্রাভেলরশিং থাংজ নুমিৎকী জি এম টি ০৩০০ দগী মান্নবা মওংদা ক্বারন্টিন তৌহল্লগনি। ইংলন্দ অমসুং নোরদর্ন আইরলেন্দনদি হায়রিবা মফমশিং অসিদগী লাকপা মীওই অমত্তা ক্বারন্টিন তৌহল্লোই।

য়ু কেগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তোঙান তোঙানবা রুলশিং চৎনহনবা অসিনা ট্রাভেলরশিংদা চমন্নবা পোকহল্লে। অসিগুম্বা রুলশিংগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংনা মখোয় মখোয়গী ওইবা থৌরাংশিং পুথোকচবনি। য়ু কেগী ইংলিস শরুক্কী ওইনা ঐহাক্না থৌদাং লৌগনি হায়না ট্রান্সপোর্ট সেক্রেটরি গ্রান্ট সাপনা স্কাই ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

এয়রপোর্টশিংদা টেষ্ট তৌবগী মতাংদা হংবদা সাপনা থুংলবা নুমিৎখক্তা টেষ্ট তৌবনা থোইদোক্লা কান্নবা পীরোই হায়খি। গভর্নমেন্টকী হেল্থ এক্সপার্টশিংনা অসিগুম্বা টেষ্ট অমনা পোজিটিভ ওইবা মীওইশিংগী চাদা ৭তমক খঙবা ঙমগনি হায়না লৌনৈ। অদুনা নুমিৎ ৭নি নৎত্রগা ৮ নি ক্বারন্টিন তৌবগী থৌরাং অসি চৎহনবনা ফৈ হায়না লৌনবা লৈ হায়না সাপনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বোম্বুলা শাফমদা পোকখায়বদা নুপী ৭ শিরে

চেন্নাই, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি): ইরাই নুমিত্তা টামিল নাদুগী কুদালোর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বোম্বুলা ফেক্টরি অমদা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোক্তুনা নুপী ৭ শিরে অমসুং অতে কয়া অশোক-অপন নংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ফায়র ক্রেকর য়ুনিট অদু কুদালোর দিষ্ট্রিক্টকী কুরুনকুলি ভিলেজদা লৈবনি অমসুং পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা থোকখিবনি। পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা য়ুনিট অদুগী মপু য়াওনা খুদক্তা নুপী ৫ শিখি অমসুং বিল্ডিং খরসু মাঙ-তাকখি।

থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংদুনা হোস্পিটালদা এদমিট তৌখিবা নুপী ৪গী মনুংদা ২ শিখি। পুলিস অমসুং ফায়র টেন্দরশিং থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা রেস্ক্যু ওপরেসন পাঙথোকখি।

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর কে পালানিস্বামিনা লাইবক থীরবা থৌদোক অদুদা মীওই কয়া শিখিবদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদবশিংদুগী ইমুং খুদিংমক্তা লাপা লাখ ২গী শেলগী তেংবাং পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ফায়র ক্রেকর য়ুনিট অমদা নুপী ৭ শিখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা দি এম কেগী প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিন্নসু অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, উত্তর প্রদেশতা কন্সটেবল অমনা ইরাই নুমিত্তা মহাক্কী সিনিয়র ওফিসর ওইরিবা সব-ইন্সপেক্টর অমা নোংমৈনা কাপ্লবা মতুংদা মশাদা অমুক কাপশিনজখ্রে। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবা মীওই অনীমক বরেলি হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না ময়ুমদা চৎনবা ছুতি পীয়ু য়াদবদগী খোইরাং খোইশাওনরবা কন্সটেবল অদুনা মহাক্কী সিনিয়র ওফিসর অদুদা কাপখিবনি।

আই জি আইদা ইন্দিয়াগী অহানবা ওন-সাইট কোভিদ টেষ্ট লেব লৈরগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০৪, (এজেন্সি) : অরাকপা ইন্টরনেসনল পেসেঞ্জরশিং টেষ্ট তৌনবগীদমক ইন্দিয়াগী অহানবা ওন-সাইট কোভিদ টেষ্টিং ফেসিলিটি কেপিটেলগী ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টত থমদুনা আর টি/পি সী আর টেষ্ট রিজল্টশিং পুং ৬ কী মনুংদা ফংহল্লগনি।

দিল্লি গভর্নমেন্টনা কোভিদ টেষ্টিংগীদমক্তা খনবা প্রাইভেট লেবোরেটরি অমনা লিংখৎকদবা ফেসিলিটি অদু সেপ্তেম্বর থাখায় ফাওবগী মনুংদা শীজিন্নবা হৌবা য়ারবা য়াই হায়না থাজনরি। স্কৱার মিটর ৩,৫০০কী ওইবা ফেসিলিটি অদু জেনিষ্ট্রিংস দাইগ্নোষ্টিক সেন্টরনা টার্মিনেল ৩ গী মল্টি-লেভেল কার পার্কিংদা লিংখৎকদৌরিবনি।

দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অদুনা হায়রি মদুদি ফেসিলিটি অসিদা লৌবা সেম্পলশিংগী রিজল্টশিং পুং ৪ দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা লাউথোক্কনি। রিজল্টশিং লাউথোক্লিফাওবদি পেসেঞ্জরশিং ৱেটিং লোঞ্জতা আইসোলেসন তৌদুনা লৈগনি নৎত্রগা হোটেল অমদা লৈরবসু য়াগনি।

পোজিটিভ রিজল্ট থেংনরবদি পেসেঞ্জর অদু ওথোরিটিশিংনা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসার্চ (আই সী এম আর)গী প্রোতোকোলসকী মতুং ইন্না প্রোসেস তৌগনি। নেগেটিভ ওইবশিংনা মখোয়গী জর্নি মখা তাবা য়াগনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা থুংলবা ইন্টরনেসনল পেসেঞ্জরশিং আর টি-পি সী আর নেগেটিভ সাটিফিকেট য়াওরবদি ষ্টেটশিংনা ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন তৌরোই অমসুং মখোয় মখা তানা মখোয়গী এয়র জর্নি য়াহনগনি।

হৌখিবা ওগষ্টতা থোকখিবা গভর্নমেন্ট এদভাইজরি অমগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা লাক্লিবা ট্রাভেলরশিং মখোয়গী খোঙচৎ অদুগী মাঙওইননা পুং ৯৬ কী মনুংদা পাঙথোকপা আর টি-পি সী আর টেষ্টতা নেগেটিভ রিপোর্ট ফংবা ওইরবদি ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন তৌরোই।

টেষ্ট রিপোর্টশিং শেমজিন-শাজিল্লম্বা দোক্তর ফারে

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি): কোভিদ-১৯গী টেষ্ট রিপোর্টশিং শেমজিন-শাজিল্লম্বগী মরালদা দিল্লিগী দোক্তর অমা অমসুং থবক অদুদা মতেং পাংলম্বা মীশক অমা ফারে হায়না ইরাই নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসগী মতুং ইন্না ডা. কুস বি পরাসারনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা পেসেন্টশিংদা রিকমেন্ট তৌখি অমসুং মশামক্না নৎত্রগা মহাক্কী এসিষ্টেন্টকী খুত্থাংদা সেম্পলশিং লৌখি। কো-এক্যুজ অমিট সিংহগী মতেংগা লোয়ননা ডা. পরাসারনা দিমান্দগী মতুং ইন্না মমিং লৈরবা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর নৎত্রগা অতে লেবশিংগী কোভিদ-১৯গী টেষ্ট রিপোর্টশিং শেমজিন-শাজিনবগী থবক তৌখি।

টেষ্ট রিপোর্টশিং অদু কম্প্যুটর অমদা পি দি এফ ফোর্মেটতা শেম শারগা ৱাটসএপকী খুত্থাংদা পেসেন্টশিংদা থারম্বনা শেমজিন-শাজিনবগী থবক অদু দিটেক্ট তৌবা লুখি। পেসেন্টশিংদা নর্সিং ষ্টাফ পীবগী বিজিনেস তৌবা মীওই অমনা ডা. পরাসারদা নর্সিং ষ্টাফ অনী ৱাইদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মখোয়বু কোভিদ টেষ্ট তৌনবা হায়বদগী ৱাথোক অসি খঙলকখিবনি।

ডা. পরাসারনা টেষ্ট রিপোর্টশিং শেমজিন-শাজিল্লবা মতুংদা নর্সিং ষ্টাফ অনীদুদা থাখি। মখা তানা মহাক্না মহাক্কী ক্লাইন্ট অদুদসু মহাক্কী মোবাইলদা পি দি এফ ফোর্মেট অমদা রিপোর্টশিং অদু থাখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক মিংদা অশোয়বা য়াওরম্বা থেংনবদগী মরী লৈনবা মীশক অদুনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অদুদা কন্টেক্ট তৌদুনা মিং চুমথোক্লবা অনৌবা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা হায়বদগী ফোর্জরি অদু শেংনা খঙলকখিবনি।

টেষ্ট হেন্না পাঙথোক্লবসু টেলঙ্গনাদা কোভিদ কেস হন্থরক্লে

হায়দ্রবাদ, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : টেলঙ্গনাদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ২,৪৭৮ থেংনখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা নোংমগী মনুংদা থেংনবা ইনফেক্সন মশিং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থখি হায়রি।

টেষ্ট তৌবগী চাং হেনগৎহনবা লৈনা-লৈনা ষ্টেট অসিদা নোংমদা থেংনবা পোজিটিভ কেস মশিং হন্থনা থেংনখিবনি। ষ্টেট অসিদা মমাংগী নুমিত্তা পুন্না কেস ৫৯,৭১১ পাঙথোকখিবগী মনুংদা পোজিটিভ কেস ২,৮১৭ য়াওরমখি।

পব্লিক হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টরগী ওফিসনা থোকপা মিদিয়া বুলেতিন অমগী মতুং ইন্না ইনৌ নৌনা মীওই ১০ শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না হৌজিক ফাওবদা শিহনখিবা মীমশিং ৫৬৬ য়ৌরে। ষ্টেট অসিদা লায়না অসিনা শিহনবগী চাং নেসনল এভরেজ চাদা ১.৭৪ গা চাংদম্নবদা চাদা ০.৬৩ দা লৈরি।

শিখিবা পেসেন্ট অপুম্বগী চাদা ৫৩.৮৭ দি মশাদা হান্নদগী তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং লৈরক্লবা মীওইশিংনি। অনৌবা কেসশিং অসি থারগা ষ্টেট অসিগী টোটেল ১,৩৫,৮৮৪ য়ৌরে। মখোয়গী মনুংদা ৯৩,৭৬০ হায়বদি চাদা ৬৯ দি লাইওং উত্তবা ঙাক্তনি অমসুং ৪২,১২৪ হায়বদি চাদা ৩১ লাইওং উৎপশিংনি।

গ্রেটর হায়দ্রবাদ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনদা থেংনবা অনৌবা কেস মশিং মমাংগী নুমিত্তা ৪৫২ ওইরম্বদগী ২৬৭ তা হন্থখি। মসিনা ষ্টেট কেপিটেলগী ফিভম ফজাৎলক্লে হায়বসি উৎলি। ষ্টেট কেপিটেলগা থংনরিবা রঙ্গরেদি দিষ্ট্রিক্টতসু কোরোনাভাইরস কেস মশিং মমাংগী নুমিত্তা ২১৬ ওইরম্বদগী ১৭১ দা হন্থরকখি। ইরাই নুমিৎ ফাওবদা ষ্টেট অসিদা টেষ্ট লাখ ১৭ হেন্না পাঙথোকখ্রে।

নোংজু মীফমগী পার্লিয়ামেন্টতা চঙবদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট রিপোর্ট য়াওহল্লগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : লাক্লিবা নোংজু মীফমগীদমক্তা পার্লিয়ামেন্টতা শেম-শাবগী থবকশিং পায়খৎলখিবগা লোয়ননা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী সেক্রেটরিয়েটশিংনা এম পিশিং, মখোয়গী পর্সনেল ষ্টাফ অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা মীফমগী মতম মনুংদা ঙাক্কদবা অকুপ্পা গাইদলাইনশিং ইশ্যু তৌখ্রে।

মেম্বরশিংদা সেপ্তেম্বর ১১ গী মতুংদা পার্লিয়ামেন্টতা থুংলদ্রিঙৈগী পুং ৭২গী মমাংদা আর টি-পি সী আর টেষ্টশিং পাঙথোক্লবা খঙহনখ্রে। করিগুম্বা মখোয়না টেষ্টশিংদু পাঙথোক্তবা তারবদি পার্লিয়ামেন্টকী রিসেপসনদা অদুগুম্বা টেষ্টশিং পাঙথোক্কনি অমসুং মেম্বরশিংনা রিজল্ট ফংদ্রিফাওবা ঙাইগদবনি। করিগুম্বা মেম্বরশিং কোরোনাভাইরস নেগেটিভ ওইরল্লবসু মশাদা লাইওং থেংনরবদি আর টি-পি সী আর টেষ্ট পাঙথোক্কনি। রিজল্ট লাক্লিফাওবদি মখোয়দা হোম আইসোলেসন তৌনবা পাউথাক পীগনি। নোংজুগী মীফম অদুগী মাঙওইননা এম পিশিংদা মখোয়গী পর্সনেল ষ্টাফ অমসুং ইমুংগী মীওইশিংনা টেষ্ট তৌনবসু পাউতাক পীখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অকুপ্পা গাইদলাইনশিং পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংদা থাখ্রে। করিগুম্বা পর্সনেল ষ্টাফ নৎত্রগা ইমুংগী মীওইশিং পোজিটিভ ওইরম্বা থোক্লবদি মরী লৈনবা এম পিশিং অদু নাইতোম ওইনা লৈজদুনা গভর্নমেন্টনা পীবা গাইদলাইনশিং তঙাইফদনা ইনগদবনি। লোক সভাগী সেক্রেটরিয়েটনা থাংজ নুমিত্তা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবগী কেম্প অমা শীন-লাংখি। কেম্প অদুদা মীফম মনুংদা দ্যুটি তাগদৌরিবা ইমপ্লোয়ী খুদিংমক টেষ্ট তৌগনি। সেসন মনুংদা লাইওং য়াওবা মীওই অমত্তা হাউসতা চঙবা য়াহল্লোই হায়রি।